# ৱারীমচা

## নিঙোল চাক্লৌবগী মথেল অমা

*– রাজেন খুমুকচম –*

***মমাঙ নোংমাইজিং নুমিৎকী মখা ...***

অঙাংদগীনা হনুরক্লবী ফাওবনসু হরাও তয়াম্বতনা থল্লবসু লাকহন্নীংদ্রবা নিঙোল চাক্লৌবদুনা লোইখ্রবা মতূংদা মতম খরা লৈরগা নোংমা পাউ অমা মপাম লমদমদগী লাকখি। পাউদু হেক ফংবগা হোস্পিটালদা থিন্থবা তৌদনা চৎলম্মী।

হোস্পিটাল য়ৌরবা মতমদদি অপোকপা মপাদু ডোক্তরশিংনা খূৎ থারদুনা চানিংবা পীজবিরো পোত্থাহল্লো হায়রবা মতমদু ওইরম্মী। খোঙ–খূৎ পুক অমদি মায় পূম্নমক পূমহা–হাগৎলদুনা হেক উবদা শকফম অমা কায়রম্মী।

চহীগী য়েংলুরবদি হিংবা য়াম্না য়ারিবা মতমনি। অদুবু হান্নদগী ডাইবেতিস পেসেন্টনি। মমাঙদসু হোস্পিটালদা অহুম্লক য়ৌখ্রবনি। শাওরিবনি হায়দুনা চাগনু হায়বশিং চাশিল–থকচিল্লুবদগী ফীভমসি য়ৌরকখিবনি। ঙসিদি মমীৎ তরু তরু পাঙলদুনা মচাশিং পূম্নমক মনাক্তা কৌশিল্লদুনা হায়রকখি।

“ইচাশা নখোয় লোয়না শুরবরা? নখোয়বু ডোক্তরদো কনা কনানো অহৈবদা খরা চঙখোন্না অমুক্তা তান্নৌনে।”

অরোয়বা মতমনা লাক্লবদা, মহাক হিংনিংলি হায়বা ঙসিতা খঙলকখি। তাঞ্জাদুদা ঈশিং লেপ্তনা অঙকপা মওংদা চৎলকখি। মমীৎ তরু তরু পাঙনা পাঙনা জ্ঞান ইমাঙ মাঙদনা অরোয়বা শ্বরনা কান্নদ্রে মতাগুম হকচাং পোলাংবু অমদি মচাশিং পূম্নমকপু চিংনা য়েংলম্লগা তাইবঙ সংসার থাদোকখিরম্মী। অঙম অঙম্বা পুথোক্লদুনা তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা ঙমজবা খিবিক কৎচদুনা মপাগীদমক মথৌ মঙম পাঙথোকপা লোইখ্রে। থাবুম খরা হৌখ্রে। কুইরে মপাম লমদম পাংলুদবা হায়দুনা নোংমা চৎলুই। তৌবদি মদুমক্তি খল্লুদবনি, লাক্কনু য়াদ্রবা নিঙোল চাক্লৌবগী পাউ লৌবা চৎলুবা ওইনা থোকখ্রে।

‘হন্দক্তি নপাগী ফিরোই য়ৌদ্রিবনিনা...।”

অপোকপী পিনৌবী মমানা ফনেক ফিজিনা লাম্লদুনা মপি তৈথোক্লদুনা হায়রকখিবনি।

হায়ফেৎ কাউরুরবা ৱাফম অমা মমানা নীংশিংলকপদা শ্বাই লাওই। মমাগী মতৌবু নমহৎলদুনা হায়রমখি।

“ওক্লে তোক্লো, নঙগী পিসিসু নৌখ্রপোৎনি” হায়রম্লগা চিনবান্দা থৌশাদবা শারগা পুন্সিগী পোৎলুম কয়া পুরদুনা মমাগী মনাক্তগী হল্লকখি। অমুকসু খল্লি, নিঙোল চাক্লৌবা মানা লাক্লগা ইখ্লোলদুদা লাংনবা উরগা খঙজদবা মচাশিংনা চোংগদবদু খল্লুবদা ৱাখলগী নাচোমদি লংজিল খঙদনা লংপুনখ্রবা লংচাক্লমখি।

কুম অমা হৌখিদুনা পিরাংগী পিরক্তা নীংঙমদবগী পোৎলুম থাংলিঙৈ অনৌবা পাউ অমগী মথেলনা অমুক মথোয় হাপ্লকখি। তশেংবদি পাউ অদু ইনক হেক নক্লা য়াম্না থেঙনা ফংবা পাউ ওইখি। নিঙোল ময়ামগী মরক্তা মদোম মথন্তা নাইতোম য়াওজবা মৌপ্বাগী অনাবা নুংঙাইতবগী পাউনি।

অৱাবা মরী চৎলি, নুংঙাইবগী তাঞ্জা অনীরক হল্লক্তে, হায়বদুমক থোক্লখি। অপোকপা মপাগী মতৌগুম মৌপ্বাদুসু হোস্পিটালদগী ডোক্তরশিংনা খূৎ থারদুনা য়ূমদা পুথরক্তুনা মতম ঙাইরদুনা লৈরমখি। ঙসিদি মহাকসু মপাগুম হিংনীংলকখি হায়বা খঙলকখি। তৌবদি মানা ঙসি ফংলিবা মহৈসিদি লুনা তৌমনবা, মানা তৌগে হায়বতা তৌহনবদগী থোক্লিবনি। চীনবান্দা তাখিবা পূম্নমক শরুক অনী অনী হেন্না হন্দোরকখি। য়ূমদা লৈকাই মাইববু ফমশেন্নহন্দুনা থোক্লবা য়াই হায়না থারকপা অহিং অনীরক লাম্হোকখ্রে। মথংগী নুমিত্তা ফমশেন্নবদা অহিং তুম্নদ্রবা ময়াম্বু মীৎকুপ খরদং ওইরবসু শুন্নম্বগুম পোখারিঙৈ মতমদুদা মহাক্তি পুঙমদ্রবা অৱাবা পূম্নমক্কা লোয়ননা তাইবঙপানসি থাদোকখিরম্মী। মহাক্কী তৌফম থোকপা পূম্নমকসু লোইখিরম্মী।

ইহাং হাংহৌরবী নুংশিরবী মপাম লমদমদো নোংমতসু খোঙ্গুল তানীংলুবা পোক্ত্রে। নিঙোলশিংনা খৌরাংনা ঙাইজবা, হরাও মথোয় কাজবা নিঙোল চাক্লৌবা ময়ানা মকুম মথা ওইরদুনা হন্না–হন্না লাক্লবসু মাগী মফমদদি হরাও মোমোন মীনোক্লা লমদম তাম্না লৈখ্রবগুম্লে।

নোংমা খোমলেন মঙলান অমদা মপা অমদি মৌপ্বানা পূন্না মাগী মনাক্তা লাক্তুনা চাঙাং অহাওবা, চম্প্রা থাদরগা থক্লীংই হায়রমখি। মীৎকপ থোরক্তুনা করি মতৌনো ঙসিসিবু খন্দুনা লৈরিঙৈ নোংঙানখিবা খঙহৌরমদে। নোংঙাল্লকপদদি লাংবন হৈশোয়গী নুমিৎ খরনি হৌজিনখ্রে হায়বদু খঙলক্লম্মী। থিল্লরোইদা খল্লদুনা লৈথোক্লুবা ৱাখলদু নীংঙম্লক্ত্রদুনা অফংবা হৈ–রা খরগা চেং–থোইদিং লৈ–শু খরগা পুদুনা লাংবন হৈশোয়গীদমক মপাম লমদম পাংলকখি। ৱাফম পূম্নমক মমাদা লীরদুনা পিরাংগী ইফুৎ চিংথোক্লখি।

ফরে ফরে নঙনা পুরক্লিবশিংসে ইমানা নীংথিনা কৎপিরগে হায়বগা লোয়ননা ঙসিসু পিনৌবী মমানা নিঙোল চাক্লৌবগী ৱাফম হৌদোরকখি। ৱাফমদুবু নাথৈনবা হোৎনরদুনা মমাগী মনাক্তগী হল্লকখি।

শেমখ্রবা খূৎশেমনি, লাক্কনু য়াখিদে। ঙসিসু লাক্লে, চহীদা অমুক্তং লাক্লবসু কনা কনাগুম্বগী মফমদদি ওন্থোক্লা লাকহন্নীংখিদ্রবা নুমিৎনি। ইখ্লোলনুংদা লৈমিন্নরিবী অমদি য়ূম্লোন– কৈরোন্নবগী নিঙোল পূম্নমক মাগী মাগী মবুং মৌপ্বাশিংনা চাক্লৌবগী বার্তোন লোইনমক লাক্লখ্রে। বার্তোন ফংলবশিংনা শেনখাও চোন্না পায়রদুনা সনা কৈথেলদা পূক্লীংগী অপাম্বা পাঙথোকপা চৎনখিরম্মী।

নুংথিল তাল্লক ওইশিল্লক্লে, মাগী মাগী থবক চৎনখিবনা মী লৎপা মতমনি। মমাগা পোকমিন্নবা মাম্মগী মচানি হায়দুনা নুপামচা অমা লাক্লম্মী। চাক্লৌবগী বার্তোননি, হয়েং ঙন্তা লাক্তবা য়াদে হায়রম্মী। কুইদে ইকান কান্নদনা মমাগা পোকমিন্নবা মন্দোমচাগী মচাশিংনি হায়দুনা অমসু লাকখি। চাক্লৌবগী বার্তোননি, হয়েং ঙন্তা লাক্তবা য়াদে হায়রমখি। অমুক্কসু মতম ইকান কান্নদনা মপাগা পোকমিন্নবা মপন্থৌনা থারকপনি হায়দুনা নিঙোল চাক্লৌবগী বার্তোন অমগসু লাক্লম্মী। হয়েং ঙন্তা লাক্তবা য়াদে ঙাক্তা হায়রম্বা পূন্না মফম অহুম শুরে। মখোয় অহুম্মক নীংখায়’ঙমদনা নুঙাই য়াইফরিবা ঙাক্তনি। বার্তোন অমা ফংবদা অদুক হরাওজবদু ঙসিদি কুইরবগী তুংদা মহাক্কীদি বার্তোন মফম অহুমদগী ফংখি। অদুবু ৱারৌগনবী পূক্লীং মানদি করি খল্লিবা খঙদে।

মহৌশাগুম ঙসিসু উৎসব মচা অমগুম চাকখুমদা মথেল লুকোয়শিংগা ৱারী শান্নজরি। তাল্লক্তুদনি –

“নঙদি চৎলরোইদ্রা তৌরিসিবো, থনম্লোদনা কৈনো?”

মনেম্মা হায়রকখিবনি। কনানা মহুৎ শিনবিহৌগনি। ৱাফমদুমদি পল্লকখিদে। লোইশিনমিন্নরো য়াওশিল্লো হায়না হায়খিবসু তাদে। অদুবু শেংফাৎতনা ঙাংনবা খোঞ্জেল অমদি তারকখি।

“মাগীবু বার্তোন লাকখিবরনে?”

থম্মোয়নুংদা নোকচরদুনা খোঞ্জেল থোক্তনা খুমজখি। অমতা নত্তে বার্তোন, অহুমদুম লাকই। অমুকসু মখা তানা খল্লি। অমদা চৎলে অমনা ৱারৌগনি, অমদা চৎলে অমনা ৱারৌগনি, অদুদি অমত্তা হেক চৎতবনা ফরগনি ৱারেপ্লগে খল্লি। মাঙ–তুংগী, নাক– য়েৎকী, মপামগী, য়ূমগী, হৌখ্রবশিংগী অমদি লাক্কদবগী খন্দুনা নুংবংনরি। তাঞ্জাদুদা চেন্নাইদা এম এস সি অরোইবা চহী তল্লিবী মচানুপীনা ফোন তৌরকই।

“মমা ঙসিদি নিঙোল চাক্লৌবা নুমিৎ নৎত্রা? ঐবু ইরুজবিররোইদ্র, কেবীররোইদ্র?”

---

# শৈরেং

## ঈতিনফম

*– নিংথৌজম ইবোপিশক*

চঙশিল্লি লেপ্পা লৈতনা
খোঙকাপ লাওনা থাংলি
লৈকুৎ লৈরাই খাক্তনা
তিংখং তুম্মৌ মরক্তা।

ঈচেল কল্লবা ঈশিংগী
চেল্লিবা লৈরাই পক্লা
নিংখাইহল্লি ঈশিংগী শাফুনা
ঈথক ইপোম ওইরবা।

নুংশানা য়ৈবদা
তাংজলিনগুম মাল্লবা
অকিবা শক্লোন লৌরিবা
চেন্থরি ঈতিনফম য়ৌনবা।

ঈচেল কয়ানা তিল্লনবা
ঈপাক মফম য়ৌননবা
লেপ্পা লৈতনা চেল্লিবা
কৌশিং কৌরাং কোঙ্গোন্না।

পুন্না চঙলি লেপ্পা লৈতনা
মীওইবগী পুন্সিনা লোয়রবদা
তিল্লুই লোয়নমক লাইরৈপাক্তা
ঈশ্বরগী খোঙচৎ তুং ইন্না।

## নাৱাগী পুন্সি

*– ব্রজমোহন কোন্সম*

মমা–মপাগী থৱায়গী মণি
মপু–মবেনগী নুমিৎ–থা
থম্মোয়দা অমকপা চুদ্রিবা
ৱাখলদা অমোৎপা পক্ত্রিবা
ঈশ্বরগী পাংখক ওইরিবা
নাৱা পুন্সি নুংশিবা!
শেম্বীরবসু তাইবঙবু ব্রহ্মানা
পোকঙমখিদে মীওইপোক্তা
হায়নরিবা মপোক্লি।

মহাক্লা কোয়না চৎলকপা
মীরোল কাবক ঙাঙলকপা
ঐগী–মাগী খঙলকপা।

## ঈগী নোং

*– নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

ঈগী নোং, ঈগী নোং
চুরি লায়বক্কী অতিয়াদা।
নোংথাংসু কুপ্লি বজ্রসু তারি
থম্মোয় খুদিং মিপাইরে
হা কার লাউনরে
কৈদৌঙৈনো
নোং নঙনা হাঙ্গদবা?

নোংলকসিদা চাক্তারি
লঙজা শঙ্গু শঙ্গু।
মহাও তংলি, তোংশা কয়া কয়া
চারা তন্নি, পুন্সি কয়া কয়া
থৱায়গী তন্দলনা পাইরি কোইপাই
থাশিগী অহিংনা শারি জগোয়।

কদায়দা লৈখ্রে হিংবগী হক
কনানা মুনখ্রে মীওইবগী হক
ঈখেংলক্তা কাওশীং ওইখ্রবরা?
অমুবা চন্দন্না হংলি,
ঙসিগী খুন্নাইসিদা।

## অঙ্ক

*– নাওরেম অমুয়াইমা*

অমা অনী মঙা তরা
হঞ্জিন হঞ্জিন্না মশীং থীরি
থীরা থীরদুনা চৎলি
পারা পারদুনা হল্লকই
থীবা লোইবা ঙমদে
থীরা থীরগা মশীং হেনগৎলি।

শেনগাওদা রুদ্রাক্ষর য়প মালা
করম্বা মশীংদা লেপকদৌবা
করম্বা মশীংনা চুমগদৌবা
থীরগা লোইদবা মশীংদু
মশীংগীদমক ঙাওরবশিংনা
থীবগী নিশাদা মশীং থীরি।
মশীংদি লৈহৌগনি থীবদি লেপখিনি
মশীংগী অঙ্কসু লোইখিনি
অঙ্কদি চুম্মী ফল শূন্যনি
ওজানা পীরকপা নম্বরসু শূন্যনি।

## ইম্ফালগী মশক্তি হোংদরি

*– ইরোম মোবি*

সঙাই ফেষ্টিভেল লোইখরে
প্রিন্সেস য়াওনা
শক্লাইরবা কয়া লাকখরে
ফোরেনর কয়া লাকখরে
বাংলাদেশকী ম্যান্মারগী মীতৈশিং ওকখরে
হরাও কূম্মৈ কয়া তৌখরে
শেল কয়া থাদখরে
সঙাইমক উবা ফংখিদ্রবসু
হরাও তয়াম্না মাগী মাগী য়ূমদা হনখরে
অদুবু
ইম্ফালগী মশক্তি হোংদরি
মোংফম কয়া লেঙদরি
নম্বুলগী মনমসু কোক্তরি।

## নঙনা থোকহনবনিকো শাশিংসে

*– কে. ইমো মৈতৈ*

নঙনা থোকহনবনিকো শাশিংসে
লৈফম লৈত্রবা শাশিংনা
মনিং তম্লক্লি তম্পাক লমদা
হিংননবগী উপায় থিরক্লি।
কনাগী মরালনো হংউনে!
সরকার লৈঙাক্লা থোকহনবনি
হায়রোইদবগী মরম লৈবরা?
চীংগী জঙ্গল কোকথোক্লিবা
য়ূম কৈ শাহল্লিবা
শাগী মকোল থুগাইরুবনা
তমদা লাক্তুনা চাক্তারবনি
মমাঙ হাক্তক্তা থেংনদ্রিবা
অকিবা থৌদোক ঙাক্তনি।
চীংমায় কোক্লবা শিল্লিমখৈ
অসিদা নত্তে থোক্লক্কদবা
ঈচাও কয়াসু থোকখ্রেদনা
শাশিংগী চাকথাকসু থিররেদনা
লোয়বা নাইরোইএ ইহৌসু
ওইদবনা অচুম্বা শারিবসিদা
খঙদ্রবনিনা তুমিন্না লৈথোক্লি
করম্বা লৈঙাক্লা লাক্লগা
শাশিংবু থেমজিনবা ঙমগদগেনে?
প্রজাগী অকিবা লৈহনবীরগনো!

## মীতৌ তম্বা

*– ইরোম মোবি*

লুহোংব থীল্লকপদা
বম্বুলা য়াম্না থাবীয়ু
ঐসু মাসু
য়াম্নসু হরাওজে।।

---

# তাবুনুংদগী

*লৈখিদ্রবা কবি রত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ১৯৭৪ দা ফোঙখিবা “মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে” কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অদুদা য়াওবা “রিপোর্ট” কৌবা শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি*

## রিপোর্ট

ঐগী মিং গোপেশ্বর
ইপাগী মিং ব্রজেশ্বর
ঐগী লৈফম কৈশামথোং
লৌ–লৌ লৈতে
ইখ্লোল – ইখ্লোল লৈতে
ষণ–ষণ লৈতে
তলব–তলব চাদে
কারবার–কারবার তৌদে
চহী–ইশাগী চহী নীফূমাথোই
নুপীগী মিং রাধারাণী
নুপীগী চহী কুন্থ্রানীথোই
পূন্না ইচা তরামাথোই
নুপা তরুক
নুপী মঙা।

*লাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহ*

---

# মণিপুরী পাম্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

* **ঐবু পোকপা ইমা–ইপাগী মরাল থিহৈদে।**
  – ফরসু ফৎত্রসু ইমা ইপা হায়বসি মীৎনা উবা লাইনি।
* **ঐবু পাপ্পা পুন্যরা খঙদ্রেদা।**
  – অফৱা ফত্ত্রা তৌরুবা থবক খরগী নীংঙমদবা ফোঙদোকপা।
* **ঐবু কপকদ্রা নোক্কদ্রা খঙদ্রেনে।**
  – তৌফম খঙদবা, চমম্নবা।
* **ঐবু ঐরা হায়দুনা হেক য়ৌইদা।**
  – মথন্তা চাকচবা
* **ঐবু খূৎ তরা পানবরো।**
  – পেন্দবদগী মথন্তা শাওরক্তুনা ঙাঙবা।
  – তৌরিবদুদগী হেন্না মখা তৌবা ঙমদ্রবা।
* **ঐখোয় মশেল ফিবুল হানরিঙৈ মীনা উতোন–ৱাতোন লোমখিনি।**
  – ঐখোয়না নুংঙাইথোক্লিঙৈদা অশিংবা কাঙবুনা লৌখিবা। হোৎনবা কনবা অশিংবা মীনা মনা লৌখিবা।
* **ঐখোয়না তাল্লিবা লন ময়ামসিবু শিবদা পুবা য়াগদরা।**
  – শিরবদি লোইরে ইশাগী অমতা ওইদ্রে।
* **ঐসু হিংগে, নঙসু হিংঙু, মাসু হিংসনু।**
  – পূন্না হিংমিন্নবা পাম্বা।
* **ঐসু কৌগে মনিংঙি খুম্মোইদবোই মতোকই, নহাচৎতা উরমক্তা কৌরমদে।**
  – পাঙথোক্কে নিঙখিবা থবক পাঙথোকপা ঙমদনা তোকখিবা।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

---

# চানক্য নিতি

– নিয়ম চুমদনা তাল্লুবা লনদি চহী ১০ ফাওবদং লৈ। তরামাথোই শুবা চহীদদি হান্নগী লৈরম্বগা য়াওনা লোয়না মাঙখিগনি।

– মতীক চাবা মীনা তৌথোরকপদি মমিং চৎনবা মরম ওই, মতীক চাদবনা তৌবা থবক্লা নিন্দা তৌনিঙাই ওই। অমৃত থকউবগীদমক রাহুবু মঙক ককখি, হূ য়োৎপগীদমক মহাদেববু নীলকণ্ঠ কৌনৈ।

– ব্রাহ্মণ পীজরবগী তুংদা চারিবদু অশেংবা চীঞ্জাকনি, অতোপ্পদা নুংশিবা ঙম্বদো অশেংবা নুংশিবনি, পাপ তৌদবদু অশেংবা জ্ঞানীনি, নাপল য়াওদনা তৌরিবদু ধর্মনি।

– করিগুম্বা তাঞ্জাদা মনিনা খূয়াদা লীক্লীনা কোক্তা লৈতেংবসু য়াই। লৈবা য়োনবগী মতাং লাক্লবদি মনিনা মনি, লীক্লীনা লীক্লীগী মমলদা অদুম লাকই।

– লোইনাইদবা শাস্ত্রনি, য়ামখ্রবা বিদ্যানি, মতমনা খজিক্তনি, অয়েৎপনা ময়ামনি। কাঙঙনা শঙ্গোম ঈশিং খাইদোক্লা লৌবগুম মচি ওইবা, খঙগদববু খঙগনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্মা***

---

# মণিপুরী পাউখোং

২৭৭. মশীং অমদা (দিজিট ১ দগী হেনবা) মান্নদবা মশীং ৮ না পুরিবদা তারিবা মশীংশিংদুগী মরাইগী ফলদু (মশীংদু) ইমান মান্নে। পুরিগদবা অমসুং পুরিরিবা মশীংশিংদু কয়া কয়ানো –

২৭৮. চৈবদা শীজিন্নবা লোন্দা থীবদি নত্তবা অমদি লম– য়ৌবা প্রমাণ পাম্থৈ অমা লৈ করিনো –

২৭৯. লম অমগী মমিং, লৈফম অমগী মমিং, চিঞ্জাক অমগী ১ গী মমিং মহুন্না পুল্লগা লম অমগী মমিং ওইবা করি লমনো?

২৮০. ইউনিফোর্মদি শেৎতবা, সিফাই, সিফাইদি কৌনবা করিনো?

২৮১. য়াম্না হাওবা পোৎতি ওইবা মমিংদি তাবদা হঙ্গোইবা করি পোৎনো?

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

---

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (২৫–১১–২০১৮) পাউখোঙ ফোঙবা***

২৭৩. ঈশিং মপী।চিনি চম্পা কৌবা ঈশিংদা লৈবা জীব

২৭৪. শৈজাক পাম্বী

২৭৫. ১১০০১১ X ৯০৯ নি

২৭৬. ৯ না ২২, ৩৩, ৪৪, ৫৫, ৬৬, ৭৭, ৮৮ অমসুং ৯৯ দা পুরিবনি অমসুং মদুগী ফলশিংনি

---

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

*** থোঙ–থোঙনাওগী মিংশেলবু লীক্লানা মকশীনহনবিরোই হায়রবদি?**

নিংথমথাগী অঙৈবা মতমদদি য়ূমগী থোঙ–থোঙনাওশিংগী মিংশেলশিংদা লীক্লা তাশিন্দুনা মহী চেন্থবমখৈ মকশীনবা হায়বসি হৌনশানি, মদুগুম্বদগী ঙাকথোকপিগে হায়রবদি ‘মিথাইলেটেদ স্পিরিট’কা গ্লিসরিনগা চাং চপ মান্ননা য়ানশিন্নবিরগা মহীদু ফদি চোৎহনবিরগা মিংশেলশিং অদু নাম্হোকপিহৌ।

*** থোঙ–থোঙনাও মখোল থোরক্লবদি?**

অদোম্না হাংদোক–হাংজিন তৌনবিরিবা থোঙ–থোঙনাও থোঙবাদগী নাকোংদা অয়েৎপা মখোল থোরক্লবদি, ফৈ হায়দুনসু থাউ থাকচীনবিরুনু, ফি–রোলদা চুহল্লকপা য়াবতা নত্তনা থোঙগী মাকসু থীহল্লক্কনি। মখোল থোকহনবীদনবগীদমক থোঙবাগী কবচ (hinge) শিং অদু মোমবর্ত্তিনা অমুক–অনীরক্তং তকশীনবিয়ু।

*** নাপী–শিংবী হৌহনবীরোই হায়রবদি?**

ইখ্লোলদা থারিবা এন্সাং–নাপী মনা–মশীং মরক্তা হৌহন্নীংদনা হৌরকপা নাপী–শীংবী হৌহনবিদনবগীদমক্তি মতাং চানা–চানা পেংথোকপিবা (ফূক্তুৎপিবা) নৎত্রগনা তুং কোইনগী ওইনদি ফত্তবা ওইরক্কদবা হীদাক লাংথক কাপথোকপিবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে। অদুবু নাপী হৌহন্নীংদবা শুমাঙগুম্বা, নূংজেং–নূংকুপ– চেক্তেক্লচিংবা থাবা খোঙ–লম্বীগুম্বা মফমদা নাপী–শিংবী শূকহৌ–হৌগৎহনবিরোই হায়রবদি ঈশিং লিটর মঙাগী চাংদা থুম কপ তঙ্খায় অমরোম য়ানশিনবিরগা মফমশিং অদুদা হেক–হেক থীক্তোকপিয়ু।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক “কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু” দগী লৌথোকচবা)*